# কুমজা ১৯৭০ গী মতমদা মণিপুরদা টেবল টেনিস পাম্না শান্নবা প্লেয়রসি চাউরাক্লা ৩০ মুক্তনিঃ সলাম শ্যামানন্দ

হান্নগী মখা...

ষ্টেট অসিদা সিঙ্গাপুরগী, য়ুগোস্লাভিয়া, চেকোস্লাভিকিয়া, য়ু এস এস আর, জপাননচিংবদগী নেসনল টিম লাক্তুনা শান্নমিন্নবদগী আসামদা টেবল টেনিসকী ৱেভ খঙৱাং ৱাংখৎলকখি। কুমজা ১৯৬৭ কী মতমদুদা টেবল টেনিসকী খূৎশান্নদসু অহোংবা কয়া লাকপগা লোয়ননা চহীদুমক্তদা নেসনল চেম্পিয়নশিপ ফাওবা আসামনা হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোরকখি।

মখা তারকপদা, গেমস অসি হেন্না চাওখৎনবা কোচিং প্রোগ্রাম কয়াসু চাং নাইনা লেপ্তুনা চত্থরকখি। অসিদসু নত্তনা অচৌ অচৌবা ইভেন্টশিং টেষ্ট মেচ, এক্সিবিসন মেচশিং, ফ্রন্ট রেঙ্কিংদা লৈবা ইন্দিয়াগী অমদি ফোরেনগী টেবল টেনিস শান্নরোয়শিং কৌশিন্দুনা শান্নমীনবগী প্রোগ্রামশিংসু পায়খৎলকখি। অসিগুম্বা থৌরাং কয়া লৌখৎপগী মপান্না কুমজা ১৯৭১ দা আসাম স্কুলগী নুপামচা টিম্না ওল ইন্দিয়া স্কুল গেমসতা হান্না স্কুল টিমগী মমিং লৈবা ষ্টেট ওইরম্বা মহারাষ্ট্রগী নুপা মচা টিম (স্কুল গেমস) থোইদুনা আসাম্না ৱিন্নর লৌরকপা ঙমখি।

আসামগী মমিং পনবা য়াবদা কুমজা ১৯৭০ মতমগী শান্নরোয়শিংদি গৌতম হজারিকা, মোনালিশা বরুৱা, রজিব সাইকিয়া... অসিনচিংবনি। মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংদ্রিঙৈ মতম অমদদি ষ্টেট অসি আসামগী দিষ্ট্রিক্ট অমদৌনা লৈরম্মী। মরম অদুনা মণিপুর ষ্টেটকী মমিংদা লমদমসিগী শান্নরোয়শিং নেসনলগী চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈরমদে। আসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্টনচিংবগী কম্পিটিশন্দা মায় পাক্লবা মতুংদা সেলেক্সন ফংলবদি মণিপুর মচাশিং আসামগী মমিংদা শান্নরকপা ঙাক্তনি।

অদুগা মণিপুর মচাশিংনা শান্নরকপা হায়বসিমক্তবু ইমুং মনুংগী অহল লমন্না য়ারগা শান্নরকপদি ইয়াও য়াওদে। মমিং লৈবা শান্নরোয় ওইরবা মতমদতা হরাউ হরাউ য়ারকপনি। ঐহাক ইশামকসু বেট থুদেকপনচিংবা অদুম থেংনজরকখি। ইশানা পাম্লুরবনিনা তুমিন তুমিন লোন্না শান্নজরকপনি। শান্নবগী নিশাদুনা নুমিদাংৱাইরম হেক য়ৌবগা ময়াম শান্নরিবা মফমদুদা হেক্তা য়ৌখিবা খঙহৌদে। ঐনা টেবল টেনিস শান্নজরকপা মতমদা য়ূমগী অহল লমন্না য়াবীরকখিবসি ইন্টর স্কুলগী কুমজা ১৯৭১ দা তৌখিবা টুর্নামেন্টসিদনি। মতমদুদদি ঐহাক বোল সার্ভিস তৌবা, স্পিদতা শান্নবগসি মওং খরা খরা তারক্লে। কোচ নাইনা ফজনা তম্বীবমক নৎত্রগসু মতমদুগী সেনিয়র ওজাশিং, হান্না শান্নবিরম্বা অহলশিংনা তাকপীবদগী ফোর্ম খরা তাবা মতম হায়বদুদি ওইরক্লে। দি এম কোলেজগী য়ুথ হোষ্টেল মনাক্তা লৈবা হোলসিদা মদুগী ইন্টর স্কুলগী টি টি টুর্নামেন্টতু পাঙথোকখি। হায়রিবা নুমিৎতুদদি ঐবু পোকপা ববাসু (সলাম হেরামোত) য়েংবা লাকখি। মতমদুদা ঐনা শরুক য়াবসি সব জুনিয়র বোইজদগী হৌরগা সিঙ্গলস, দবলস, মিক্স দবলসতা জুনিয়র, সেনিয়র আইটেম মঙামুক্তা শান্নজখি। লোইনমক মনা লৌবা ঙমজখি। মদুদা ফংলকপা কপ, ফিরোল ময়ামদু ফি অমদা য়োম্লগা পুরকখি। ঐগী শান্নবা উখিবা লোয়ননা কপ ময়াম




অকাও পরৈ চল্লুরবশিং/রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

ফংলকখিবদুদগীদি ববানা ঐঙোন্দা চৈ থাংবা, শান্নবদা থিংলম্বা অদুসু মতুংদদি তৌরকখিদ্রে। লাইরিক ঔরাইবা ঔরাইদবা কয়া কন্না ঙাঙলকখিদ্রে। মদুনা ঐঙোন্দসু শান্নবদা ফ্রি ওইবা ঙমজরে।

কুমজা ১৯৭০ গী মতমদুদদি শান্নবগী ৱিন্নরগা ওইবসি কপ, ফিরোল, সিল্ড মসিগুম্বসি য়াম্না পীনরম্মী। অপাক অপাকপা ফজবা সিল্ড শারগা পীবসি চৎনবী ওইরম্মী। হায়রিবা মতমদুদা ঐখোয়না পায়দুনা শান্নজরকপা বর্না হায়দনা উগী বেটসি অদুক হাক্লা ক্বালিটি লৈবদি নত্তে। মখোলসু বোল থোম্বদা কাক কাক লাউই। অদুবু মদুগী বেটতুদনি ঐখোয়না ইন্টর স্কুলগী ৱিন্নরগা লৌবা ঙমজরকখিবদু। মমলদু লুপা ৭৫ পী। কুমজা ১৯৭০ গী মতমদা লুপা ৭৫ সি ঐখোয়দদি ফনা য়ামখি। তরাই তরাই হেক্তা লৈবা ঙম্বা হায়দু ওইখিদে। শান্না শান্ননা মেট্রিক ইগজামসিসু পাস তৌনবা কন্না হোৎনজরকখি। মার্ক য়াম্না ৱাংনা ফংবা ঙমদ্রগসু পাসতি তৌরকখি। কোলেজ অসিসু অহাবদা বোধচন্দ্র কোলেজদা কাজরকখি। ইম্ফাল কোলেজদসু তম্লকখি। ইম্ফাল কোলেজদা তম্বা মতমদুদা ওল আসাম ইন্টর কোলেজগী ঝাল্লুবারি, মালিগাওনচিংবদসু শান্নবা চৎচরকখি। ইন্টর কোলেজগী চৎপা মতমদুদা এল ইবোতোম্বী হায়বা এথলেটিক্সকী ইমান্নবা অমগা চৎমিন্নখিবা হৌজিক ফাওবা কাউদ্রি। ঐখোয়নীসি মানা শান্নবা মতমদনা ঐনা মাগী মপোৎ মচৈ শেন্নদুনা মতুং ইন্নে। ঐনা শান্নবদনা মানা শেন্নবী। -মথং-মথং

## ইম্ফাল ইষ্ট সুপর দিভিজন লীগ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা চত্থরিবা সুপর দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমদি উপা ক্যামগৈ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকায়না পি ৱাই এ কাইরং গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা রাওগী অহানবা অমসুং অনীশুবা গোল ময়োন কাপিংনা মেচকী ২ অমসুং ৪৮ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল এম দি রোহিটনা মেচকী ৬৪ শুবা মিনিটতা চনখি। অনীশুবা মেচতা উপা ক্যামগৈনা এলেভেন ষ্টার গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। উপাগী গোল অনী অদু সুলটান অমসুং তুংদেমনা চনখি। এলেভেন ষ্টারগী গোল অদুনা ফ্রাঙ্কিনা চনখি।

## ইম্ফাল ৱেষ্ট থার্দ দিভিজন লীগ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা মালোমদা চত্থরিবা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা সিকোনা য়ু এস সি গোল ৬-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা টি দি সিনা সন ক্লব গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। অহুমশুবা মেচতা এস দি সি অমসুং বি বি এ গোল চন্নখিদ্রে। মরিশুবা মেচতা আই দব্লিয়ু এস সিনা এস ৱাই পি এ গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

## থাংমৈবন্দ কাংখূৎ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ ঃ

শিংজমৈ কাংখূৎনা শিন্দুনা চীংঙামথক্তা লৈবা নামৈরাকপম মান্দপ কম কম্যুনিতি হোল শিংজমৈ কাংশঙদা চত্থরিবা মঙাশুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং প্যুনবতি মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা ৩ শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা থাংমৈবন্দ কাংখূৎ মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা অপূনবা টিম ১২ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা থাংমৈবন্দ কাংখূৎনা কোন্থৌজম কেন্দ্র কাংখূৎ পাঙ্গল ১৬-১০ দা মায়থীবা পীখি। হয়েং অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱাঙ্গৈই অমসুং য়াইস্কুল শান্নরগনি।




HL-B/3304/08/09-07/10


## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –২৩

1. টিদিম রোদ এথলেটিক্স য়ুনিয়নগী লাইশ্রম নবকুমার সিংহ ফুটবোল শান্নবদা মমিং চৎলি । য়ুনাইটেদ স্পোর্টস এসোসিএসনগী মদনেশ্বর রোই (বাবু) করম্বা মশান্নদা মমিং চৎপগে?
2. মহাক ঈরোইবদা মমিং চৎপা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়নি। মহাক্লা ঈরোইবদা মায় পাকখিবা থৌদোক অমগী চহী ৪০ শুরকপগী শকখঙবা ওইনা ইন্দিয়াগী পোষ্টেল দিপার্টমেন্টনা লুপা ৩ পীবা পোষ্টেল ষ্টাম্প অমা ফোঙখি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?
3. মণিপুরগা মিজোরামগা করম্বা চহীদা ইম্ফালদা আসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট হোকি ফাইনেল শান্নখিবদা মিজোরাম্না থোয়খিবগে?
4. ‘লোনা’ হায়বা ৱাহৈ অসি করম্বা মশান্নদা শীজিন্নবগে?
5. সম্মর ওলেম্পিক গেমসদসু শরুক য়াবা, পরালিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংবা লমজেল চেনবা শান্নরোয় অমগী মমিং হায়য়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ০৭, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


লেংশিনবিরকউ/
ꯂꯦꯡꯁꯤꯟꯕꯤꯔꯀꯎ
হুইয়েন লানপাউগী
অনৌবা ওফিস
কৈশাম্পাৎ চুড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক

খুদোংচাবা লৈগনি
- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।

ওফিসকী মতম :
অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা

হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স






HL-B/3346/29/09-28/10

জি এস টি হাই!
মল্টিপল টেক্সেস বাই!

গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স




ইকনোমিদা পীবা কান্নবশিং
- কম্মন নেসনল মার্কেট অমা শেমই।
- ফোরেন ইনভেষ্টমেন্ট হেনগৎহল্লি।
- এক্সপোর্টশিং অমসুং ‘মেক ইন ইন্দিয়া’ ইনিসিয়েটিবতা ইনোৎ হাপ্পী।
- থবক হেন্না পীনবা শেল-থুমগী এক্টিভিটি হেনগৎহল্লি।
- ঐখোয়গী এক্সপোর্টশিং হেন্না কম্পিটিটিভ ওইহন্নবা টেক্সশিং নীংথিনা ন্যুট্রেলাইজ তৌই।
- সপ্লাই চেন অপূম্বগী ইনপুট টেক্স ক্রেদিটতা অপনবা অমত্তা লৈহন্দে।

কমপ্লাইএন্সগী অরাইবা ইনভাইরোনমেন্ট
- সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংগী মরক্তা লৈরিবা লোশিং অমসুং এসিজরশিং অমগা অমগা য়ানহল্লি।
- কমপ্লাইএন্স মেকানিজমদা য়ূম্ফম ওইবা অফবা আই টি সিষ্টেমশিং।
- কমপ্লাইএন্সকী অচঙমল হন্থহল্লি - তোঙান তোঙানবা টেক্সশিংগীদমক্তা মল্টিপল রেকোর্দশিং থমদ্রবসু য়াই।
- টেক্সপেয়র অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসনগী মরক্তা হ্যুমেন ইন্টরফেস হন্থনবা আই টি হেন্না শীজিন্নে।

মেন্যুফেকচরর/সপ্লায়রদগী কঞ্জুমর ফাওবদা, সিঙ্গল টেক্সনা মল্টিপল লেভিশিংগী মহুৎ শিনগনি

davp 15502/13/0049/1617

1 NATION TAX MARKET
GST

টেক্সশিং থীনরবা মতমদা, লৈবাক অমা শেমই

দিরেক্টোরেট জেনরেল ওফ টেক্সপেয়র সার্ভিসেস
সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ এক্সাইজ এন্দ কষ্টমস
www.cbec.gov.in
ঐখোয়বু থিবিরকউ cbec_india